# এদমিনিষ্ট্রেটর ওফ মণিপুর য়ুনিভর্সিটি

## "My Tryst with Manipur : A memoir মখা চত্থরকখিগনি"

**ডা. শর্মিলা থিংবাইজম**

**মণিপুরদা** বন্দ-ব্লোকেদ কয়া লেপ্তুনা চত্থবনা মীয়ামদা ৱাহনবতা নত্তনা ষ্টেটকী ইকনমিদা অকায়বা চাউনা পী। কুমজা ২০০৪গী এপ্রিল ১দগী কুমজা ২০০৭কী মার্চ ৩১ ফাওবদা পূন্না লুপা কোটি ১,৩১৯ মাঙহনখি হায়না মণিপুরগী হান্নগী চীফ সেক্রেটরি জর্নেল সিংহনা নৌনা ফোঙবা মহাক্কী লাইরিক "My Tryst with Manipur : A Memoir" দা ফোঙদোকখ্রে হায়বা ৱাফম অমা ন্যু দেল্লিদা আই এ এন এসকী রিপোর্টতা য়াওখিবা পাউ অমা চহীসিগী ওগষ্ট ২৮দা মণিপুরদা ফোঙবা পাউচে অমদা থেংনখি। করম্বা নুমিৎতা হায়রিবা লাইরিক অদু পাবা ফংগদগে খনবদা লৈতাফম খঙখিদে। লাইবক ফবদগী হায়রিবা লাইরিক অদু হোটেল ইম্ফালগী সঙাই হোলদা সেপ্টেম্বর ২, ২০১৮দা য়াম্না চীং লেম্বা অচৌবা থৌরম অমগা লোয়ননা মণিপুর মীয়ামদা খুদোল তম্বা ওইনা জর্নেল সিংহগী মকুবোক এস অদানি, পুনানামৈ ভিলেজনা ফোঙদোকখি। লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা শরুক য়ারুবা মতমদা থস্মোয়দা ফাওখিবা ৱাফম অমদি - মণিপুর হায়রিবা লমদম অসিদা মহাক্কী খোইরি নাওফম ফুমখিবগুম্না মমীংদা সিংহ য়াওবনা মণিপুরদগী মানবগুম্নসু তৌবা অমদি লমদমসিগী ঈশিং-নুংশিৎতা মতম শাংনা লৈদুনা মীওইবা খুন্নাইগী থবক কয়া তৌরম্লবা জর্নেল সিংহনা মহাক্কী নুপী মপামসু ওইরিবা মণিপুরদা লাক্তুনা মহাক্কী লাইরিক ফোংলিবসি কয়াদা নুংশিখ্রবনো? লমদমসিগা মহাক্কী থস্মোয়গা য়াম্না নক্লবা অমদি অচেৎপা মরী অমা মতম কয়া চঙনা শাগৎখিবা অদুনা অসিগুম্লবা লমদমসিগী ওইনদি মমল য়াম্লবা লাইরিক অসি জর্নেল সিংহগী থস্মোয়দগী থোরকপনি। ইথন্তা সুম খঞ্জখি জর্নেল সিংহগুম্বা এদমিনিষ্ট্রেসন্দা য়াম্না শাংবা এক্সপরিএন্স লৈরবা, খঙ-হৈরবা, মমিং চৎলবা এদমিনিষ্ট্রেটর অমতং লমদমসিদা লেঙদনা লৈরবদি ঐখোয়গী তংদু-লৈতাদ্রিবা, কাংলম চেন্নরিবা, খূৎশিন-থৌরাং তৌবদা মওং-মরীল তাদ্রিবা, মীৎয়েং শানবা ৱাৎপগুম উরিবা অসিনচিংবা কয়াসি ফনা য়াম্নদি ফগনি হায়না। লাইরিক অসি খরগা সুম পাথরুবদগী হায়রিবা ৱাখলসি হেন্না হেন্না খঞ্জিনখি। লৈশি-লৈথোন য়াওদনা য়াম্না চম্না অদুঙৈ থস্মোয়দা কাউখিবা মতমদুদা থেংনখিবা থৌদোক কয়াবু থস্মোয় তিংনা ৱারী লীথোক্লিবা লাইরিক অসিদা ইরিবা ৱারী কয়াসি পারুবদা মহাক্কুম্না মণিপুর হায়বা লমদমসি ফজনা খঙবা অমদি থস্মোয়দা ফাওবা মপান লমদগী লাকপা এদমিনিষ্ট্রেটর অমত্তা ঙসি ফাওবা লৈরমখিরোই হায়নসু নীংখি।

লাইরিক অসি ফোঙবা নুমিত্তা ইম্ফাল ফ্রী প্রেসকী এডিটর প্রদিপ ফানজৌবমনা হায়বিখিবা - অদুঙৈ সার জর্নেল সিংহনা ঐখোয়গী লম্বীশিংদা বজাজ স্কুটর তোংদুনা অমদি মখোঙনা তোয়না চৎলম্বগী শক্তমদু অদুম নীংশিংলি হায়বা ৱাফম অদুনা অদুম তাকচখি - জর্নেল সিংহগী ইচম-চমজবা, থস্মোয় শেংজবা অদুনা লমদমসিবু মশাগী পোক্নফম লমদম ওইনা খঞ্জদুনা মণিপুরগী খুল-লৈকায় কয়াদা, চীংনুং-মানুংদা ফাওবা খোঙনা চৎ-চত্তুনা লৈঙাক্কী মমি তাহল্লমগদবা কয়াদু। লাইরিক অসিদা য়াওরিবা মহাক্কী কাউঙমদ্রবা ৱারীশিং অমদি ফোটোশিং অদুনা মতমদুগী থৌদোক-ৱাথোক কয়া অদুগী ৱারী কয়াসু লীরি। পঞ্জাবতনা মহাক্কী জন্মভুমি ওইজরবসু মহাক্কী কর্ম্মভুমিদি মণিপুরনি হায়রিবা জর্নেল সিংহগী ৱাখল্লোন অসিমক মহাক্কী লাইরিক্কী ৱারীশিং অমদি লমদম অসিগী অহল ওইরবা এদমিনিষ্ট্রেটরশিং, পোলিটিসিয়নশিংনা লীনবা ৱারীশিংদগীসু খঙবা ঙম্মী। ইরমদম মণিপুর অসিগী লৈঙাকলোনগী তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা মঙাল কয়া পীবিরম্বা, মীৎয়েং শানবা খূৎশিন-থৌরাং কয়া হৌদোকপীরম্বা জর্নেল সিংহনা দিকেদ অনী হেন্না মণিপুরদা লৈরম্বগী ৱারী কয়াবু অদুক হাক্না লৌবীরম্মী অমদি মতুং তাবদসু লমদম অসিগী য়াইফনবা থবক কয়া লৌখৎপীরকখিগনি হায়বসি মহাক্কী লাইরিক অসিদা ময়েক শেংনা মমি তাই। লাইরিক অসিদা পল্লিবা মহাক্না চৎলম্বা অমদি থবক কয়া তৌরম্বা মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী তোঙান তোঙানবা লম কয়াগী মমীংশিং অসি য়েংলুরগদি লমদমসিগী লম্মীৎ-তুম্মীৎ ফজনা খঙবা য়েলহৌমীশিংদগী জর্নেল সিংহনা পঙনোপ-নোপ্লরোই হায়নসু খনজখি।

"My Tryst with Manipur : A Memoir" হায়রিবা লাইরিক অসি সিভিল সার্ভেন্টশিংগী মফমদা য়াম্না কান্নবা লাইরিক অমা ওইরগনি হায়না অখঙ-অহৈশিংনা হায়নরিবা অসিদা নত্তনা ঐহাক্না খনজবদদি লাইরিক অসি মণিপুরী মীয়ামগী মফমদদি 'মণিপুরগী লৈঙাকলোনগী য়াম্না তাঙলবা পুৱারী' অমনি লোয়ননা লমদমসিগী তুংগী চাওখৎ থৌরাং কয়া লৌখৎলক্লবা পোরম কয়া য়াৎপদা ৱাখল-লৌশিং য়াম্না পীরগদবা খূৎপায় লাইরিক অমনি। মসিদসু নত্তনা লমদমসিদা থোকখিবা ৱাথোক-লান্থোক কয়া অমদি মদুবু ৱাতেম্নবা হোৎনখিবা জর্নেল সিংহগী হৈ-শিংলবা খূৎশিন থৌরাং কয়ামরুম লাইরিক অসিদা ইরিবশিং পারুরগা খঙবদি লমদম অসিদা অচৌ-অচৌবা অওনবা কয়া অমা মহাক্কী মতমদা অমদি মহাক্কী লিচিং মখাদা পুরকখি হায়বসু খঙবা ঙম্মী।

লাইরিক অসি পাবদা নুংঙাইবগী ৱাদি - পাবা লোইথোকখিগদ্রা হায়দুনা খাক-খাক্তুনা সুম পাজবনি। লাইরিক অসিগী লমায় ২২০ অমদি ২২১ পাবা নুমিৎতা লমায় ২২১দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মতাং অমসু থেংনখি। নুমিৎতুগী মথংদা ওক্টোবর ১১, ২০১৮দনি য়াম্না নুংভাইরবা পাউ অমদা য়াম্না মমিং লৈরবা মণিপুরগী ফাদর ওফ এদমিনিষ্ট্রেটর ওইরম্বা জর্নেল সিংহবু মণিপুর হায় কোর্টকী য়াম্না তাঙলবা অমদি শিংথানীংঙাই ওইরবা ৱায়েল অমনা তংদু-লৈত্রদ্রবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি (এম য়ু) দা ফুল পৱর শীন্নরবা এদমিনিষ্ট্রেটর ওইনা হাপখ্রে হায়বা খঙবা ঙমখি। থস্মোয়দা খঞ্জখি - জর্নেল সিংহদি মণিপুরদা লাইরিক ফোঙবা লাকপদা এম য়ুগী ৱাথোক অসিসু লোইশিন্ননবা পাইলোট সর্ভেসু তৌথোকখ্রে হায়না। মথংগী নুমিৎতগী হৌনা ৱাথোক ওইরবা এম য়ুগী এদমিনিষ্ট্রেটর ওইনা চার্জ লৌদুনা লাঞ্জং অমগী মতৌগুম্না পন্দুনা লৈরম্বা থবক কয়া লেপ্তুনা মথং মথং লৌখৎলকপদগী য়ুনিভর্সিটি কম্যুনিতিদা নিংশা শ্বর খরদি হোন্দোকহনখি। অফবা এদমিনিষ্ট্রেটর হায়বসিদি ময়ামগা খরদি অদুম্মক খেন্নে হায়বসিমক মহাক্কী তোপ তোপ্পা পোলিসি কয়াসিনা অদুম তাকচরবনি। মহাক্কী মতম খরা অসিদা এম য়ুগী তারিবা লায়না কয়াসু লায়েংহৌদুনা মরীল খরদি শোয়দনা তেংলম্লগনি হায়নসু থাজৈ। মহাক্কী হৈশিংলবা এদমিনিষ্ট্রেটিভ পোলিসি কয়া অসিনা মতুং লাক্কদবা এম য়ুগী ভিসীশিংদা অচৌবা পাড়া ওইনহৌগদৌরিবনি। গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী অচঙবা মীহুৎ ওইরিবা জর্নেল সিংহনা হৌজিক ওইরিবা ফীভম কয়াসি খঙনা এম য়ুগী অৱাৎ-অপা কয়াসু মেনখৎননবা অমদি অশোয়বা কয়াসু ঐচ আর দি মিনিষ্ট্রিগা খূৎশম্নরগা মশক থোকপা থবক কয়াসু শোয়দনা লৌখৎলক্কনি হায়না মীয়াম্না থাজনরিবা অসিমক শোয়দনা চুমগনি। কুমজা ২০১৮ হৌগৎলকপদা ফোঙখিবা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী ফবা য়ুনিভর্সিটিশিংগী লিষ্ট ফোঙবদা এম য়ুনা সেরিএল নম্বর ৩২০দা য়াওখিবগী অমদি মদুদা মীয়াম্না পেন্নখিদবগী ৱারী কয়াদু এম য়ুগী ৱাথোক-লান্থোক কয়াগী মরক অসিদা সুম-সুম নীংশিংলক্লি।

# করম থোক্লগবা ঐখোয়গী লাইবক

**অথোকপম তোম্বা**

**মহৌশা** লাইরেন্বী ইমানা মালেম অসি শেন্বীরকপা মতমদা তুমাশুবা মশীং ওইনা শেন্বীরম্মী। পান্বীদা হায়রগা অৱাথবী লাবা অমসুং অমোম অনী থোকই। অৱাথবী লাবদি মপাল শারবসু মহৈ পান্দে অদুগা অমোমদি মহৈ মরীক চুম্না পাল্লি। অসিগুম্না শা-উচেক্লেচিংবসু লাবা অমসুং অমোম অনী থোক্না শেন্বীরমদুনা লৈরল্লিবা অসিনি। অহিংবা শা-উচেক পূন্নমক অমোম্না মচা পোক্তুনা মচাবু শেন্নে, উচেকসু মচা পোকই। শেকপি হায়না খঙনবা উচেক অসি মচা পোকই, খোল্লাংসু পীথকই। অদুগা উচেক অতৈদি মৱমদগী মচা ওল্লকপা ঙাক্তনি। অদুম ওইনমক মচাদি নিংথিনা শেন্নদুনা চাউদ্রিবা ফাওবা ঙাক শেন্দুনা লৈবা উরিবা অসিনি। মখোয়শিং অসি মা-মাগী ওইবা জুরা (লাবা-অমোম) অনী-অনী পূন্না লৈমিন-চামিন্নে, অমা ৱাৎপদা লৈফম খঙনদে ককঙাওনৈ। পূন্নমক অসিদগী খ্বাইদগী অহেনবা লৌশিং, ৱাখল খনবা ঙন্বসি মীওইবনি। অসুম্না ইবিরম্বা লাইরিকশিংদা থেংনজবদা তাইবঙ শেম্বা মপূ ফাওবনা মীওইবগী মপোক অসি য়াম্না পামই হায়না ইবিরম্মী। অসিগুম্বা মপোক অসিদা লৈরিবা অসি নুপা অমসুং নুপী অনী অসি লাপথোক্লবা য়াদ্রবা অমগী মতেং অমনা লৌবা, নুংশি-চান্নবা, নুংঙাইবা ঈপাক্তা তাওবদসু অপেনবা পোক্লবগী মশকনি। নুপী য়াওদবা মালেমদা হিংবা ঙম্বগী শরুক অসি য়াম্না লাপনা লৈখ্রে। নুপীনসু নুপা য়াওদনা হিংবদা মরেক মহাও অমা ফাওবা য়াওরল্লোই, অমনা অমবু থাদোক্লবা য়াদে। অচাকপা মৈবু ঈশিংনা মুত্থৎপগুম নুপাগী অশাওববু নুপীনা ঈংথহনবা ঙমই অমসুং অইংববু (শাওদববু) ইরায় লায়না শাহনবা (শাওহনবা) ঙমই, কয়াগী মতিক মগুন লৈখ্রবা। মহাভারতকী লানফম অসি শ্রী কৃষ্ণনা শীন্দুনা নুপীবু জ্বারগী পোন্থা ওইহন্দুনা ইকায়বা পীবদগী শাওরমদবা পূন্নমক থাদোক্তুনা লাল থেংনখ্রিবনি।

অচুম্বা লম্বী চৎপা অসিবু পুইন্যনি হায়না শাস্ত্রনা ইবিরম্মী। অদুবু নুপী য়াওদনা হিংবা অমসুং লাইবক্তা লৈগদৌবগী শরুকপুদি পাপ চেল্লবসু নোরোক্তা লৈজগে হায়নরি। মসি অইবশিংগী লাইরিক্তা অসুম্না শৈথাবিরকই। নুপী য়াওদ্রবদি অঙাং য়াওরল্লোই, অঙাং য়াওদবা মীওইগী পুন্সি অসি পোত্থাফম খঙলল্লোই। অসুম্না হায়নবা লৈ য়াম্না লায়রবা ইমুং মচাদং পীজ-পীথক তৌরগা ঈশিং থক্তুনা অরাম-খৌরাংবা খাঙলিবা নুপা-নুপী অদুনা মচাশিংগী মতৌ য়েংজবদা হৱাউ মিনোক তম্বা মতমদা য়ূম হেক থংনবা নুপা-নুপী ইনাক-কৈরাক খুনবদা মমিং চৎলবা অদুনা লায়রবা ইমুং অদুনা নুমিদাংদা নোক-খেবা তাবদা মখোয়গী থস্মোয়দা চাবসু ফংদবা মখোয়না হৱাউ-তয়াম্না লৈরিবসি মতৌ করম তৌবা জাৎনো হায়না খনখি। মতম অদুদা নুপা অদুনা মাগী নুপীদা ঐখোয় অনীসু মখোয়দৌনা অমুক্তা নোকসি হায়দুনা অরৈবা মণি-মুক্তা, সনা-লুপা পুথোক্তুনা নোক্লবা হোৎনৈ অদুবু হৱাউ-তয়াম্বগী মীনোক অদু লাকখিদে হায়না শৈথারম্বসু থেংনজৈ। মরম অসিনা নুপী য়াওদবা য়াদে, হৱাউ তয়ামখিবা, অৱাবা কোক্তুনা নুংঙাইনা মীনোক তমখিবা অসিসু নুপীনা অঙাং পোকখিবা অদুননি। নুপা ঙাক্তা লৈরগা চরা হেল্লবদি শোয়দনা অশাওবনা নোকপগী মহুত্তা খৎন-চৈনবা ওইনা তৌবগী শৈথানরমগনি। নুপীশিংদা লৈরিবা তোঙানবা গুনশিং - নুংশি চানবী হৈবা, নুপাবু হায়বদি অদোম্বু পেৎহনবা ঙম্বা, অরাম খৌরাংবা কোকহনবা ঙম্বা অসি খক থানবা য়ারোই।

নুপা ওইবনা শাওদুনা, খৎন-চৈনদুনা ঙমই হায়দুনা মাগী নুপী অদু ফু-চৈদুনা হাৎকে-তুপকে তৌদুনা খৎনখ্রবা মতুংদা মহাক্না ঙসাইমখৈ নিংশা শ্বর ফুনগৎপমখৈ শাওরুবা অদু মানা নোকমি-নোকমি তৌদুনা চাক লোইরে, চাক চানবা তৌরসি হায়না শোন্থাংননা কপ্লি-কপ্লি তৌনা হায়রকপা মতমদা, নুমিৎ চূপ্পা অমা শাউনবগা-ফুনবগা খম থেংনা শাউনখিবদু করিমত্তা হেক তৌনখিদবগুম ঐগী মায়দা য়েংলগা কিথি-কিরুম তৌনা নোকমি-নোকমি তৌরদুনা হায়রকপদা কনানা অশাওবা নেমদবা য়াওবগে। অদুবু ঙহাক্তদি ঙাইবিখো ঐহাক শন্ধ্যাগী ধুপ-থাউমৈ অমুক্তদি থাজরুখিগে হায়না থোকখিবদা উখিবা চৈফমশিং অদু উবদা পূক্লিংদা শোয়দনা অশাওবনা মাঙজবা ৱাখল পোক্লমগনি।

মসিনা তাকপদি নুপী য়াওদনা লাইরৈবাক্তা লৈদৌ শরুক নুপী য়াওনা নোরোক্তা লৈবনা ফৈ হায়না শৈথারল্লিবা অসিনি। অসিগুম্বা শৈথাবিরল্লিবা শৈরেং অমসুং ৱারেং ইবসি ঙসি নুংঙাই-য়াইফবা, ইনাক-কৈরাক খুনবদি থেংনজদে, মীনসু কয়া শিংথানদে, মশাগী করি কানরিবনো হংবা য়াবা ৱাফমনি। অদুবু তশেংবদি মহাক অদু খুন্নাইগী থৌগল তৌবনি হায়না পঞ্জনীংই। ইনাক কৈরাক খুনখিবশিং অসিদি থিকা তৌবা, অরোনবা করবার তৌবনা অয়াম্বনি। নিংথৌ ওইরম্বসু চাকনিবা ওইরকপা, চাকনিবনা নিংথৌ ওইরকপা, মন্ত্রি ওইরম্বনা মীচম ওইরকপা, মীচম অদুনা অমুক মন্ত্রি ওইরকপা, তাইবঙ মীওইবগী মপোক অসি তম্বা ঙম্ববুদি নত্তে। অচুম্বা অমসুং অইবগী ৱাহৈদি লেংদনা অদুম লৈহৌরগনি।

নুপী ওইবীশিংনসু ফত্তবা লমচৎ চৎপা, ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবা, নুপা মথং-মথং হোংদুনা মপূরোইবা ওইবা, মশাগী ওইজ-ওইথক খরগীদমক মসিবু কনানা শিংথানগনি ফত্তবগী খুদম চাংদম পীনবা নত্তনা। নুপানা নুপী মথং-মথং খাইনদুনা মথং-মথং থিবা, নুপীবু তাথি-তাওইনা তৌবা, নত্তবা লীচৎ চৎপা, হায়বা য়াদ্রগা ওৎ-নৈবা, হস্তনা য়েংবা মীৎয়েং, মরাল থংজিল্লগা হাৎতোকপীবা অসিবু কনানা শিংথানগনি অকনবা চৈরাক ফংবা নত্তনা। অদুবু উনা-উনা, খঙনা-খঙনা উশিন্নদবা অসিগী লিচৎ খুন্নাইদা মৈনা, ঈশিংনা চামদুনা কোকপা ঙল্লোই। ঙসিগী চাওখৎপগী খুন্নাইগী লমজেলদা ফত্তবা ময়াম অমনা থল্লে। অচৌবনা মচাবু য়োৎকদবগী ময়া লাউনা কাথোক্তুনা লৈরি। অদুবু চৎনবী অমা ওইনা চিন্দদি মান্নবা খুন্নাই শেমসি, অকুৎ-অতোং তেমদুনা মান্নহল্লি, খূৎনা অমরোমদা, চিন্না অমা। মসিরা চাওখৎপা হায়বা অদো? মপূক থন্দবা ষণবীনা করম্বা মতমদা শঙ্গোম য়াম্না থোক্কদবনো খঙবা ঙমদ্রি। অচুম্বা মান্নবা খুন্নাই লাক্লনি খন্না নৈনরি । ঙসিগী খুন্নাইদা ঙাঙনরিবা খোল্লাউ অসিবু করম্বা মতমদা কোক্কদগে হায়ঙমদে। অমগী ফত্তবা ৱাখল তাদ্রিঙৈদা অনৌবা মখল-মথেলগী ৱাথোক লাকপা অসিনা মায়কৈ খঙদ্রে, মীপাইনরে মীয়ামসে, করম থোক্লগবা ইরমদমসে।

Apollo Tutorial Centre
Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office
ADMISSION OPEN
Special Revision Course for:-
Class -XII Sc.(COHSEM & CBSE):English(COHSEM only)
+ Physics+Chemistry+ Maths + Biology
Class Starts : 22nd November, 2018
Class timing: 4:00 p.m. to 7:45 p.m.
Last date of form submission : 21st Nov. 2018
VAN Service Available
HOSTEL FACILITY : BOTH BOYS & GIRLS
Enroll just today and be success HSE (COSHEM) - 2019 & SSE(CBSE) - 2019
For Details Please Contact :- APOLLO Tutorial Centre
(1) 6:00 a.m. to 9:00 a.m. (2) 2:00 p.m. to 7:00 p.m.
HL-P/5587/27/10-26/11(Alt.)

SMART TUTORIAL CENTRE
SINGJAMEI SUPER MARKET RADHESHYAM SHOPPING COMPLEX, IMPHAL- 795008
TOPPERS OF THE S.T.C. IN HSLCE 2018

2nd Position Holder
PATEL LAIRENJAM
23rd Position Holder
HUIDROM HELEN

ADMISSION OPEN
6thREVISION COURSE CLASS X & ( XII Sc.)
7th FOUNDATION COURSE CLASS X
START ON 10th DECEMBER 2018
Sub:Maths,Sc,S.S,MM,Eng,C/Sc,H/Sc & H/Maths.
BATCHES : Morning & Evening FACILITIES:-VAN SERVICE & HOSTEL Contact No. 8730999192
For Detail :Visit Smart Tutorial
HL-P/5488/7/10-4/12(Alt.)

## মরোল থোকপা লাই

